‘মণিপুরদা আই এল পি চৎনহনবা মথৌ তাই’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৭ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়াদা সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্দ বিল (সী এ বি) চৎনহনবা য়ানা লৈরক্পনা নোর্থইষ্ট ষ্টেট পুম্নমদা অচৌবা ইরাং অমা থোক্লক্পা য়ানা লৈরে। অদুবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নমদুনা সী এ বি বিল চৎনহল্লক্লবসু ঐখোয়গী ফুরুপ কন্দবা য়ান্দে হায়বগী ৱাখল্লোলদা ফেদরেসন ওফ হাউমীনা মণিপুরদা ইনর লাইন পর্মিট (আই এল পি) চৎনহল্লু হায়বা রিমাইন্দর মেমোরেন্দম অমা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোংবম বিরেনদা থাখ্রে হায়না ফেদরেসন ওফ হাউমীগী প্রসিদেন্ট সপামচা জাদুমনিনা প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, সী এ বিদগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থৈদি লমদম অসিদা আই এল পি চৎনহনবনা ওইগনি। নীংশিংবা য়াই মণিপুরদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা পর্মিট সিষ্টম অমা লৈরম্মী। কুমজা ১৯৫০গী নভেম্বর ১৮ দা মতম অদুগী চীফ কম্মিস্নর হিমট সিংহনা লৌথোকখিবদগী লমদম অসিদা লেপ্পা লৈতনা মীতোপশিং চঙশিল্লকখিবনি। মরম অদুনা ঙসিদি মণিপুরদা মীতোপতশিংদগী ঙাকথোক্লবা লো অমা শেমদুনা চৎনহনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মীফম অদুদা ফেদরেসন ওফ হাউমীগী থৌ পুবা মীহুৎ কয়ানা শরুক য়াখি।

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL →	**AGARTALA**
IndiGO	13:20
IMPHAL →	**DELHI**
Air Asia (India)	13:45
IndiGO	14:30
IMPHAL →	**GUWAHATI**
IndiGO	09:45
Air Asia (India)	11:15
IndiGO	14:15
Air India	14:20
IMPHAL →	**KOLKATA**
IndiGO	10:50
Air India	13:35
IndiGO	15:20

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	78.812439
US Dollar	71.290014
British Pound	93.667814
Australian Dollar	48.755565
Chinese Yuan Renminbi	10.133192
Japanese Yen	0.656507
Malaysian Ringgit	17.151361
Australian Dollar	48.755565
Singapore Dollar	52.407531
South Korean Won	0.060092
Saudi Arabian Riyal	19.010670
Thai Baht	2.348534
Myanmar Kyat	0.04746
Bangladesh Taka	0.84079

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	38631.02
Mumbai	–	Rs	39679.14
Delhi	–	Rs	39465.24
Kolkata	–	Rs	39775.40

GAS NEWS

ATHOKPAM INDANE WANGJING & KHONGJOM
Booking Upto: 17/10/2019
Valid From: 08/10/2019
Stk : 612 (CTC)
Timing: 07.30 am to 10.00 am

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto: 21/10/2019
Valid From: 17/10/2019
14 Kg Stk : 306
5 Kg Available
Timing: 08.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE
Booking Upto: 06/11/2019
Valid From: 05/11/2019
Stk : 576

JEMON GAS, CHINGAMATHAK
Sl. No. Upto – 79960
Booking Upto: 19/09/2019
Valid From: 13/09/2019
Stk : 530
Timing: 07.00 am to 09.00 am

KHONGNANG (BISHNUPUR)
Booking Upto: 16/09/2019
Valid From: 12/09/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.00 am

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking Upto: 04/11/2019
Valid From: 26/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

MAIBIA GAS, MOIRANG
Sl. No. : 0251 – 1070
Booking Upto: 18/10/2019
Valid From: 17/10/2019
Stk : 612
Timing: 07.00 am to 11.00 am

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto: 21/10/2019
Valid From: 18/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.00 am to 10.00 am

HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto: 21/10/2019
Valid From: 19/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.30 am

কোর্টনা পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পেনিগী চেয়রমেন হেমো য়াওনা মীওই ৪ সম্মোন তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭(ঐচ এন এস): শাগৎলিবা য়ুম লোইশিন্নবগীদমক উরিপোক তৌরাংবম লৈকাইদা লৈবা পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পেনিদগী শুপ্লতগী লুপা ৩,৫০,০০০ লোন লৌরবা মতুংদা লোন এমাউন্ট অসি ইন্টরেষ্টকা লোয়ননা শিংদোকখ্রবসু শিংগদবা লুপা ৬,৫০,০০০গী শেনফম ৱাৎলি হায়দুনা নোংমৈ পুথোক্তুনা কিহল্লগা নমদুনা শেল লৌননবা হোৎনরকপগী মতাংদা কম্পেনি অসিগী মীওই ৪গী মথক্তা কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা কেস অমা লৌখৎলগা কম্পেনি অসিগী চেয়রমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর টি ঐচ হেমো য়াওনা মীওই মরিদা সম্মোন নোটিস পীখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টনা সম্মোন ইস্যু তৌনবা ওর্দর পীখ্রবা কম্পেনি অসিগী মীওইশিং অদুদি মসিগী চেয়রমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর থোকচোম হেমো (৫৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ লোকেশোর, নাচৌদগী হৌজিক্না উরিপোক অচোম লৈকাইদা লৈরবা, কম্পেনি অসিগী এমপ্লোয় অমসু ওইরিবী মহাক্কী লোয়নবী থোকচোম ওংবী বেদমনি (৪৪), মেনেজর (লোন) ওইবা তখেল্লম্বম ধনবির (৪০) অমসুং মহাক্কী লোয়নবী তখেল্লম্বম ওংবী অঞ্জলি (৩৮)নি।

অদুগা কম্পেনি অসিগী মথক্তা কোর্ট অসিদা ক্রিমিনেল কমপ্লেন্ট ফাইল তৌরক্লিবা মীওই অদুগী মমিংনা হৈস্নাম মহেন (৩০) কৌই। কৈশামথোং থাংজম লৈরক্তগী ঐচ কুলবিধুগী মচানুপানি।

কেস অসিগী কমপ্লেনেন্টনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ অঙনবা শরুক (জন্যুৱারী/ফেব্রুৱারী) অদুৱাইদা মহাক্না পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পেনি অসিদা হাউজিং লোন পীবীনবা এপ্লাই তৌখি। নুমীৎ ১০নিমুক লৈরগা নোংমা অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা মেনেজর (লোন) টি ধনবিরনা লুচিংবা নন-লোকল অহুম য়াওনা মীওই খরা মহাক্কী শাবা হৌগৎলগা লোইশিন্দ্রিবা য়ুমদা লাকখি। মেনেজর (লোন) অসিনা নন-লোকলশিং অদু নেসনল হাউজিং বেঙ্ক, ন্যু দিল্লিগী ওফিসলশিংনি হায়দুনা মশক তাকখি। অদুগা শাগৎলিবা মহাক্কী য়ুম অসি লোইশিনবদা শেল কয়াম চঙগদগে হংবদা মহাক্না লুপা লাখ ১০ রোম চঙগনি হায়বগা লোয়ননা ওফিসলশিং অদুদা শেনফমসি লোন ওইনা পীবীনবা হায়জখি হায়রি।

অদুবু লোনগীদমক মথৌ তাবা ফোর্মেলিটি পূম্নমক তৌরবা মতুংদা মঙোন্দা কুমজা ২০১৪গী মার্চ ৫দা লুপা ৩,৫০,০০০ লোন ওইনা পীরকখি হায়রি। লোন অসি ফংবদগী এপ্রিল, ২০১৪দগী হৌরদুনা মহাক্না লুপা ৫,৯৮০গী শেনফমশিং লেপ্তুনা শিংগৎলকখি। অদুগা মহাক্না শিংদোকফম থোকপা লুপা ২,৫৯,১৭৪গী শেনফম্না কুমজা ২০১৮গী জুন ৪দা লোইনা শিংদোকখি। মসিদগী কম্পেনি অসিনা মঙোন্দা ‘লোন ক্লিয়ারেন্স সর্টিফিকেট’সু জুন ৬, ২০১৮দা পীরকখি হায়রি।

অদুবু খ্বাইদগী ঙকপা মওংদা চেয়রমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর টি ঐচ হেমোনা লুচিংদুনা মীওই খরনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৩ অমসুং ২৮দা মহাক্কী য়ুমদা অনীরক লাক্তুনা মঙোন্দা পীখিবা লোনগী শেনফম লুপা লাখ ১০নি হায়রখি। অদুগা হৌজিক শিংগদবা লুপা ৬,৫০,০০০ ৱাৎলি হায়রবগা লোয়ননা নোংমৈ মচা অমা পুথোক্তুনা হায়রিবা শেনফম অসি পীদ্রবদি হাৎকনি হায়দুনা কিহল্লবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সীদা ওগষ্ট ২৮দা রিপোর্ট তৌখি। মসিদা লৌখৎফম থোকপা থবক অমত্তা লৌখৎপীরক্তবদগী এস পি/ ইম্ফাল ৱেষ্টতনা সেপ্টেম্বর ৯দা ৱাকৎখি হায়রি। অদুবু ৱাকৎ অনীমক্কী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীরক্তবদগী কোর্টতা কমপ্লেন্ট তৌরকপনি হায়রি।

ৱাকৎ অসিদগী কোর্টনা ক্রিমিনেল কমপ্লেন্ট কেস নম্বর-৮১ ওফ ২০১৯ লৌখৎখি। অদুগা ঙসি কমপ্লেনেন্ট অসি য়াওনা ৱিটনেস ওইবা মহাক্কী মচেগী ষ্টেটমেন্টশিং কোর্টনা লৌরবা মতুংদা কেস অসিগী একুজ মরি অসিগী মথক্তা সম্মোন তৌখিবনি।

মিনিষ্টর শ্যামকুমার দিসক্বালিফিকেসন কেস

হায় কোর্টকী রুল্লিংগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌবা এস এল পি ৪গী হিয়রিং জন্যুৱারী ১৪দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭(ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকপা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১১শুবা মীখলদা অন্দ্রো এ সীদগী কোংগ্রেস টিকেটতা কারক্লগা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টর ওইরিবা থৌনাওজম শ্যামকুমারবু এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌগদবনি হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপদগী কোর্টঅসিনা পীখিবা রুল্লিংগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্ট ওফইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকপা স্পেসল লীভ পিটিসন (এস এল পি) মরিগী হিয়রিং মথং থাগী ১৪দা মখা তানা পাঙথোক্লবা লেপখ্রে।

মিনিষ্টর অসিবু এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌগদবনি হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবা পিটিস্নরশিংনা কোংগ্রেসকী এম এল এ, এম দি ফজুর রহিম (ৱাবগাই এ সী) অমসুং কে মেঘচন্দ্র (ৱাংখেম এ সী)নি। এম এল এ অনীগী পিটিসনশিং অদুগী নম্বরনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ৬৯ ওফ ২০১৮ অমসুং ৭০ ওফ ২০১৮নি। পিটিস্নর অনীনা মিনিষ্টর অসিবু কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলনা পীরিবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌগদবনি হায়দুনা ৱাকৎলকখিবনি।

কেস অনীমক হায় কোর্টনা লৌখৎখি। অদুগা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা কেস অনীমক্কী অরোইবা হিয়রিং জুলাই ২, ২০১৯দা পাঙথোক্লগা রিজর্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা মসিগী জজমেন্টনা থা অদুগী ২৩দা লাউথোকখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুদা স্পিকরনা লৌরকপা দিসিজনগী মতাংদদি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২২৬কী মখাদা পীবা জুরিসদিক্সনশিং এক্সরসাইজ তৌরদুনা হায় কোর্টনা জুদিসল রিভিয়ু তৌবদি য়াই। অদুবু ৱাকৎ অসিগা মরী লৈনবা প্রাইমা ফেসিগী মতাংদদি স্পিকরনা ৱারেপ লৌজগদবনি হায়বগী জজমেন্ট পীখিবনি।

অদুবু জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিদা পেন্দ্রবা কেস অনীসিগী পিটিস্নরশিং ওইখিবা কোংগ্রেস এম এল এ অনীনা মসিগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা স্পেসল লীভ পিটিসন (এস এল পি) অনী ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিস্নর অনীগী এস এল পিশিং অদুগী নম্বরশিংনা- ১৮৭৬৩ ওফ ২০১৯ অমসুং ১৮৬৫৯ ওফ ২০১৯নি।

সুপ্রিম কোর্টনা পিটিস্নর অনীগী এস এল পিশিং অসি লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েল চথনবা থবকশিং লৌখৎলিঙৈদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিগী মায়োক্তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দগী মায়কৈদগীসু সুপ্রিম কোর্টতা এস এল পি অনী ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিস্নর ৱাই খেমচান্দগী এস এল পিশিং অদুগী নম্বরশিংনা ২৩৭০৩ ওফ ২০১৯ অমসুং ২৪১৪৬ ওফ ২০১৯নি।

সুপ্রিম কোর্টনা এস এল পি মরিমক লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েলগী অহানবা শরুক মমাং থাগী ২৮দা পাঙথোকখি। অদুবু নুমীৎসিদা মপূং ফানা লোয়শিনবা ঙমদবদগী ৱাৎহৌরিবা ৱায়েলগী শরুক থা অসিগী ৪দা অমুক হন্না পাঙথোক্লনবা লেপখি।

অদুবু নুমীৎ অসিগী মাঙওইননা এস এল পিশিং অসিদা রেস্পোন্দেন্ট ওইবা য়াওরিবা মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল লৈশাংথেম রোশমনিনা খঙহৌদনা দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা লৈখিদবদগী এস এল পিশিং অসিগী হিয়রিং লেপখিবা নুমীৎ অসিদা পাঙথোক্তনা এদজোর্ন তৌখি। অদুবু এস এল পি মরিমক্কী হিয়রিং মথং থাগী ১৪ (জন্যুৱারী ১৪, ২০২০)দা পাঙথোক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা লেপখ্রে হায়রি।

কথক কেন্দ্র ন্যু দিল্লিনসু অঙম্বা মতেং পাংগনি : কমলিনি অষ্ঠানা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৭ (ঐচ এন এস) : জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী অমদি কথক কেন্দ্র ন্যু দিল্লিগা খুৎশম্নদুনা নুমীৎ ৩নী চুপ্পা পাঙথোরকপা কথক উটসব লোইশিনবগী থৌরমগা ইরোইননা ঙসি জে এন এম দি এদা পাউমীশিংগা কথক কেন্দ্র ন্যু দিল্লিগী মীওইশিংগা উনবগী মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা কথক কেন্দ্র ন্যু দিল্লিগী চেয়রপর্সন কমলিনি অষ্ঠানানা হায়, চহী ৪/৫দগী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী অমদি কথক কেন্দ্র ন্যু দিল্লিগা পুন্না কলচর ইন্টরেক্সন তৌনদুনা লাকখিবনি। অসিগুম্নবা তোঙান-তোঙানবা কলচরশিং পুনশিন্দুনা থবক তৌবা অসি আর্টকী ওইনা য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীদা পাঙথোকখিবা কথক উটসব অসিদা কথক কেন্দ্র ন্যু দিল্লিদগী কথক দান্সকী মহৈরোয় ৩৫ লাক্তুনা শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা মণিপুরগী ফজরবা লাইহরাউবগী জগোয় অমদি তোঙান-তোঙানবা লমদম অসিগী জগোয়শিং তমখি। লোয়ননা দান্স একাদেমীগী মহৈরোয়শিংনসু নুমীৎ খরনি অসিদা কথক জগোয়সু তমখি হায়রি। লাক্লিবা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারি থাদা কথক কেন্দ্র ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াবা লাক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়, মণিপুরগী ফজরবা কলচরগুম্না মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামসু য়াম্না ফৈ, লোয়নবা নুংঙাই হায়নসু ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অদুদা জে এন এম দি এগী দিরেক্টর এল ওপেন্দ্রো অমদি কথক গুরু রাজেন্দ্র কুমার গঙ্গানিসু শরুক য়াখি।

ওকপগী থৌরম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : কোলেজ ইলেক্সননদা মীরেপ ওইখিবশিং থা অসিগী ৮ দা খুম্থোকহনবী শঙলেন থাংমৈবন্দদা মোনিটরিং সেল ওফ কোলেজ ষ্টুদেন্টস ইলেক্সননা শীল্লগা তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না মোনিটরিং সেলগী কনভিনর সেরাজউদ্দিননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ইম্ফাল-দিমাপুর-গুৱাহাতি ফ্লাইট...

লামায় ১গী মখা... য়াম্না মরুওইবা অমনি। হৌজিক চয়োল অমদা নুমীৎ হুম্নী সর্ভিস তৌগদৌরিবা অসি হেনগৎলকখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা পি ঐচ ঈ দি মিনিষ্টর লোসি দিখো, ত্রাইবেল এফেয়রস মিনিষ্টর কায়িসি, এম এল এ, ডা. এস রঞ্জনসু শরুক য়াখি।

মীওই অমা পোক্সো এক্টকী সেক্সন...

লামায় ১গী মখা... তৌরকখিবনি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না পুলিস ষ্টেসন অসিনা পোক্সো এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ৪গী মখাদা মহাক্কী মথক্তা কেস এফ আই আর নম্বর- ৫ (৭) ২০১৪ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

পুলিসনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথরগা মহাক্কী মথক্তা চার্জশীট থাগৎলকপদগী কোর্ট অসিনা স্পেসল ট্রাইয়েল (পোক্সো) কেস নম্বর১ ওফ ২০১৬ লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েল চথরকখিবনি।

কোর্টকী সেন্টেন্স ওফ ওর্দর অসিদা সেক্স্যুএল এসোল্ট ভিক্টিমশিংগীদমক লৈরিবা স্কিমগী মখাদা ভিক্টিম নুপীমচা অসিদা লুপা লিশিং ৫০গী শেনফম পীনবসু কোর্টনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা দিরেক্সন পীখি।

কোওপরেটিভকী থৌদাং খঙমিন্নবা মথৌ তাই : সোসাইটি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ : মণিপুরগী শেন্মীৎলোন্দা কোওপরেটিভকী থৌদাং য়াম্না চাউই হায়বসি ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নবা মথৌ তারি হায়না সেকমাইজিন গ্রাম পঞ্চায়ট লেভেল মল্টিপর্পজ কোওপরেটিভ সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট কে মনিহারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেমদা লৈরিবা মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সি মহিংগা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবগা য়াম্না মরী লৈনৈ। ঙসিদগী চহী খরা হঙ্গৎনা য়েংবদা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংগী মনুংদা কোওপরেটিভ দিপার্টমেন্ট অসিসু মরুওইবা অমনি। ষ্টেটসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা লৌগদবা রোলশিং লৌরক্তবা, কোওপরেটরশিংনা অমগা অমগা থাজনদবা অসি পুম্নমক্কী মাঙজবনি। মণিপুরগী দিপার্টমেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা দিপার্টমেন্ট অসি কোওপরেসননি হায়না লৌবা য়াই। রেজিষ্ট্রার ওফ কোওপরেটিভকী মখাদা লৈরিবা এপেক্স বোদি কয়া কেস লৈতবা ইয়াও য়াওদে। মসি মতৌ করম্না সোম্ব তৌগনি হায়বসি ৱাখল তামিন্নবা চুমগনি। খুন্নাইগী য়াইফনবা তৌগদবা অসিনা থবক তৌদ্রবদি করি ওইগনি। রেজিষ্ট্রার ওফ কোওপরেটিভকী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা রেজিষ্টর বোদি ওইরবা সোসাইটিশিং নীংথিনা থবক তৌবা তাই। নীংথিনা মথৌ তৌদ্রবা সোসাইটিশিং চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না ককথৎনবা থবক লৌখৎপীয়ু। ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ককী বোর্ড ওফ দিরেক্টরগী ইলেক্সন অসি ঈং-তপ্পা পাঙথোক্লবা হোৎনবীয়ু। বোর্দ অসি পুম্নমক্কীনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

মেনপেকনা ঙসিদগী হৌদুনা চত্থগদবা...

লামায় ১গী মখা... মায়কৈদগী আপিল তৌজরি। সী এ বি য়ানিংদবগী খোঙজং অসি মচেৎ-মকায় ওইনা উরম্বা অদু হন্দক্কী তাঙ্কক অসিদা এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা হৌজিক চত্থরিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসন অসিগী জিরো অৱরদা পুথোকখিবা অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা মণিপুরগী অপূনবা দেলিগেসননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা সী এ বিগী মতাংদা তকশিনখিবা অদুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি অমত্তা ওইবা মীয়ামগী অপান্বা ওইরে। মরম অদুনা মীয়াম্না অকি-অখং য়াওদনা লৈবাক কনবগী খোঙজং অসিদা শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হয়েংদগী হৌদুনা চত্থগদবা খোঙজং লাউথোক্লিঙৈগী মাংওইননা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, ইমা লূপশিং অমদি মীয়াম য়াওনা অমুকোগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা লীদরস মীট অদুনা সী এ বিগী মতাংদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ মরি লৌখিবনি। ৱারেপশিং অদুদি, অহানবদা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা পাস তৌনবা হোৎনরিবা সী এ বি ২০১৯ অসি মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্টতা চৎনবা য়ারোই হায়বসি অমুক্কা হন্না রিঅফর্ম তৌরে। অনীশুবদা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা মণিপুরগী এম পিশিংনা সী এ বি ২০১৯ অসি হাউস অনীমক্তা পুথোরকপদা বিল অসিবু ওপোজ তৌগদবনি অমদি শরুক য়ারোইদবনি হায়না লেপ্পখি। অহুমশুবদা মণিপুরগী মীয়াম্না মখোয়-মখোয়গী এম এল এ অমদি পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা মণিপুরগী গভর্ণরদা বিল অসিবু য়ানিংদবগী চেরোল পীশিনবা হায়নসু লেপ্পখি। অরোইবা অমসুং মরিশুবা ৱারেপ্তা এন্টি-সী এ বি ২০১৯গী মখা তানা চঙশিল্লক্কদবা খোঙজং পূম্নমক্কী ৱারেপ লৌদুনা মীয়ামদা লাউথোকপীরক্লবা মেনপেক্তা তকশিনবা হায়নসু লেপ্পখি হায়রি।

এম পি ডা. আর কে রঞ্জনগী য়ুমদা...

লামায় ১গী মখা... মণিপুরগী শক্তম শোকহনবা য়ারোই অমদি টেরিটোরিয়ল কাউন্সীল শেম্বা য়ারোই হায়বা ৱাফম পুখৎলু হায়না এম পিদা খঙহনখি। সেন্টরদা পাল্লিবা লৈঙাকসু বি জে পিনি। মণিপুরদা পাল্লিবা লৈঙাকসু বি জে পি য়াওরিবনি। বি জে পিগী এম পি অমনা ঙাংবা ৱা তাদ্রবদি তোকথোকউ হায়বনচিংবা ৱাফমসু খঙহনখি। এম পিগী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা পুখৎকনি হায়বা ৱাফম থল্লকখি। টেরিটোরিয়ল কাউন্সীল শেম্বা য়ারোই, করিগুম্বা টেরিটোরিয়ল কাউন্সীল শেমখ্রবদি মণিপুরগী শক্তম কায়বগী ফীভম লাক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপীগী প্রসিদেন্ট ৱাই মেম্মনা ফোঙদোকখিবদা, পার্লিয়ামেন্ট সেসন থা অসিগী ১৩ দা লোইগদৌরে। মসিগী মাঙওইননা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীফম ফমদুনা ৱারেপ লৌরগা সেন্টরদা খঙহনফম থোকই। মণিপুর এসেমব্লী মীফম থা অসিগী ১৮ দা কৌরিবা অসি থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা স্পেসল সেসন কৌদুনা চপ চাবা ৱারেপ লৌরগা সেন্টরদা খঙহনফম থোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী বেষ্ট পি এল ভি, বেষ্ট পেনেল লোয়র অমদি বেষ্ট দি এল এস এগী এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা শিন্দুনা লম্ফেল কোর্ট কম্পলেক্সতা লৈবা এ দি আর সেন্টরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা কম্মেন্দসন সিরোমোনিগী থৌরম অমদা চহী অসিগী বেষ্ট পি এল ভি, বেষ্ট পেনেল লোয়র অমদি বেষ্ট দি এল এস এগী এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে। লোয়ননা থৌরম অদুদা অইবা চাংদম্নবদা মকোক মথং তারকখ্রবা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংদসু মনা য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ অমসুং মসলসাগী চেয়রমেনসু ওইরিবা কে ঐচ নোবিননা হায়, ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা অহোংবা কয়া অমা লাক্লবসু সেন্টরনা মীয়ামগীদমক থাদরক্লিবা স্কিম কয়া খঙদনা লৈবনা স্কিমশিং অদুগী কান্নবা লৌদনা লৈরে। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্না সেন্টরনা থাদরক্লিবা মতম-মতমগী ওইবা স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা চৎতুনা উনবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি। হন্দক চহীগী ওইনা বেষ্ট পি এল ভি অশৈবম নন্দকুমার, বেষ্ট পেনেল লোয়র থিংবাইজম সুধির অমদি বেষ্ট দি এস এস এনা ইম্ফাল ইষ্টতা ষ্টেট লেবেলগী ওইনা মনা পীখি।

দিষ্ট্রিক লেবেলগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বেষ্ট পি এল ভি চোংথাম নবচন্দ্র, বেষ্ট পেনেল লোয়র লাইশোম শিলোরি, ইম্ফাল ইষ্টকী বেষ্ট পেনেল সী ঐচ মোমোন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী বেষ্ট পি এল ভি ৱাহেংবম জিবন, বেষ্ট পেনেল লোয়র খোইস্নাম লেম্বিসনা মৈদিংঙু, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী বেষ্ট পি এল ভি থোকচোম গঙ্গারানি, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী বেষ্ট পি এল ভি এস পি ঙামরৈফি, বেষ্ট পেনেল লোয়র সী ঐচ ৱুংশাঙশিম, সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী বেষ্ট পি এল ভি কে সাজা, বেষ্ট পেনেল লোয়র কুমৌ অদানি মাও, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট বেষ্ট পি এল ভি লিয়জামুং তোনশিং, বেষ্ট পেনেল লোয়র লালরিনছনা বৱাইটলুং, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী বেষ্ট পি এল ভি মকু ফাইরোং, বেষ্ট পেনেল লোয়র আর কে মোহেন্দ্রো অমদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী বেষ্ট পি এস ভি গাইফুন কামৈ, বেষ্ট পেনেল লোয়র এ জি চিংখুইগোং হায়রিবা মীওইশিং অসিদা চহী অসিগী এৱার্দশিং শিন্নখ্রে হায়রি। থৌরম অদুদা মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি জি গাইফুলশিল্লু, মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি এম মনোজকুমার অমদি মসলসাগী দিপ্যুটি মেম্বর এস সদানন্দাসু শরুক য়াখি।

‘মণিপুরগী পুৱারী ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙবীবা নুমীৎতা চাউখৎপা ষ্টেট ওইগনি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭: মণিপুরগী পুৱারী ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙবীবা নুমীৎতা মণিপুর চাউখৎপা, ঈং-তপ্পা ষ্টেট ওইগনি হায়না রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এ) অম্বেদকর মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সাপম শামুঙৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অপূনবা ইন্দিয়াগী কন্সষ্টিট্যুসন লৈত্রিঙৈদা মণিপুরগী কন্সষ্টিট্যুসন লৈরে। ইন্দিয়ানা ইলেক্সন তৌদ্রিঙৈদা মণিপুরদা ইলেক্সন তৌরে। মণিপুরগী পুৱারী ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙবীবা নুমীৎতা চাউখৎপা ষ্টেট ওইগনি। মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না থবক পায়খৎলক্কদবনি। মণিপুরগী পুৱারী খঙহন্নবা মীয়ামগী মীহুৎ হৌজিকফাওবা লৈত্রি হায়বা তাই। কুমজা ১৯৭১ দা মণিপুর ষ্টেট ওইবগা লোয়ননা এম এল এ ৬০ অমদি এম পি ৩ লৈবা হৌখি। মতম অদুগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা শেমখিবা লৈঙাকশিংনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনহন্নবা অমদি টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটিগী চৈঙাক লৈহন্নবা করিগী হোৎনখিদবনো।

লৈঙাক্লোন খঙবা অমদি লৈবাক্কীদমক কখোকপা ঙম্বশিং থাগৎলম্লবদি মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনরম্বা য়াই। টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটিগী চৈঙাক পীরম্বা য়াই। কুমজা ১৯৫০ দা মণিপুরদা হান্না লৈজরম্বা পর্মিট সিষ্টম লৌথোকখি। অরুনাচল প্রদেশতা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনরি। মণিপুরগীনা করিগী চৎনদ্রিবনো। ঙসিদি মৈথক্তা ফল্লে। মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি অমদি য়েলহৌমীশিংদা অকনবা শাফু অমা পীররে। অপীকপা লৈবাক কয়া অমসু মালেমদা লৈরি। মণিপুরদা ঙসি মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। এম এল এ ৬০ অমদি এম পিশিংনা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা শক্লোন অমফাওবা লৌবা ঙমখিদে। পার্লিয়ামেন্টতা থৌনা লৈনা থেংনবা ঙম্বা চঙই। টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটিগীদমক অমদি ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টমগীদমক হোৎনবা তাই। এসেমব্লী মীফমদা কয়ারক পাস তৌখ্রে। ইন্দিয়া লৈঙাক্তসু থাখ্রে হায়দুনা লৈথোকপা য়ারোই হায়রি।

এমসুনা দিসেম্বর ১০দা মণিপুর পুন্বা...

লামায় ১গী মখা... পার্লিয়ামেন্টতা সী এ বি পাস তৌবা য়ারোই হায়না নেসোনা লেপ্লিবা ফিরেপ অসি এমসুগীসু ফিরেপনি। চঙশিল্লকপা খোঙজংশিং মণিপুরদসু চঙশিনগনি। য়েলহৌমীদা অচৌবা চৈথেং ওইগদৌরিবা বিল অসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনসি। হৌজিক চত্থরিবা সেমিষ্টর এগজামশিং অতোপ্পা নুমীৎ অমদা রিসেদ্যুল তৌবীয়ু। ঈ-পাউ লৌবা লাকপা পাউমীশিংদদি মীয়াম্না অপনবা পীবীগনু। সট দাউনগী ফিরেপ অসি তঙাইফদনা লৌরকপনি। সী এমনা সী এ বিনা মণিপুর শোকহল্লোই হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থাজবা পী হায়রিবা অসিদা নেসো অমদি এমসুনা থাজবা লৈতে। আই এল পি অমদি সিক্স সেদ্যুল চৎনবা ষ্টেটশিংদদি চৎনরোই হায়রি। বিল অসিগী মায়োক্তা লৈগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এমসুগী এক্সটর্নেল এফেয়রস সেক্রেটরি য়াম্থেম পাওলজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, এমসুগী মহুৎ শীন্দুনা নেসোগী মীটিংদা শরুক য়াখি। ইস্যু অসিগী মতাংদা খন্নখি। খোঙজংশিং চত্থনবা লেপ্পখিবনি। নোর্থ ইষ্ট পুম্বা সট দাউন তৌগনি। সী এ বিনা সিটিজন্সিপ পীগদৌরিবা অসি কম্যুনিটি খরখক্লি। কম্যুনিটি খরখক্কীদমক বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা করি মরমগী পুথোক্কদৌরিবনো। পার্লিয়ামেন্টতা এমেন্দমেন্ট তৌবা মতমদা লিমিটেসন লৈগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হেরিটেজগী মফম ওইরিবা কংলাদা ছুটি...

লামায় ১গী মখা... মীওই ১৩৫০, মণিপুরগী মপান্দগী মীওই ১০০ পুন্না মীওই ১৪৫০ লাকখি। কংলাদা চঙবগী হৈনবী হেনগৎলক্লি। নবেম্বর ২৫দা মীওই ৩০০ লাকখি। ১০০ না মণিপুরগী মপানগী মীওইশিংনি। নবেম্বর ২৬ অমসুং ২৭ তসু কংলাদা মীওই ৩০০/৩০০ লোমগী চাংদা চঙখি। নবেম্বর ২৮ দা মীওই ৫০০ চঙই। মসিগী মনুংদা ১০০ রোমদি মপান লমদগীনি। নবেম্বর ২৯ দা মীওই ৪০০ চঙই। মসিগী মনুংদা মীওই ১০০ রোম মপান লমগীনি। নবেম্বর ৩০দা মীওই ৫০০ রোম চঙই। দিসেম্বর ১দা মীওই ১২০০ চঙবগী রেকোর্দ লৈ। দিসেম্বর ২ দনা মীওই ৩০০ লোম চঙই।

পাউচে অসিনা অখন্নবা দিপার্টমেন্ট অসিনা সঙাই ফেষ্টিভেলগী থৌরাং পায়খৎপা লৈব্রা হায়না হংবদা ফংলকপা পাউদা সঙাই ফেষ্টিভেলগী ওইনা অহেনবা থম্বা লৈতে। চুম্না কংলা মনুংদা লাই খুরুম্বা অমদি য়েংবা লাকপা অসিনি। শেমগৎ-শাগৎপা য়াওদে। কংলা য়েংবা লাকখিবা মোর্দন কোলেজ দা তন্বী সোসিল তাংখুলনা ফোঙদোরকপদা, কংলাদা চঙবসি য়াম্না নুংঙাই, পোথাবা মফম ওই। পুক্লিংদা নুংঙাইবা পোকই। ফোটোসু হেক্তা নম্লিংই। কংলা মনুংদা চঙবদা ঈং-তপ্পা ফংহল্লি। কংলাদা লৈরিবা ম্যুজিয়ম অসি য়েংবদা ঐখোয়না খঙদবা কয়াসু খঙলে। মহৌশাগী ওইবা ফজবা কয়াসু উবা ফংলে। অশেংবা নুংশিৎ ফংবা মফম অমসু ওই হায়নসু মখা তাখি।

মীহাৎ-মীপূনগী থবক য়াদে হায়না পূন্না...

লামায় ১গী মখা... কিনরবা মতম অসিদা মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল ট্রষ্টনা মীয়ামদা অচৌবা ঈনোৎ অমা পীরি। মীহাৎপশিংদা ঐখোয়না পাড়া অমা তাকপীবগী মতম ওইরে। ঐখোয়না মহৈ-মহৈ কিদুনা লৈরবদি খুন্নাই অসি মুৎখিবা থোক্লগনি। মরম অদুনা ঐখোয় পুম্নমক হৌগৎমিন্নদুনা মীহাৎ-মীপূনগী থৌওংশিং থেংনমিন্নবগী মতম ওইরে। লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বীগুম্না অচুম্বগীদমক থৌনা ফনা লেপ্পা মথৌ তারে। অচুম্বগীদমক শিবা কিরোইদবনি। অচুম্বগী লানফমদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্লবসু খুন্নাই অসি কনদবা য়ারোই। খুন্নাই অসি কনদবা য়াদে হায়বগী ৱাশক অদু লৌমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, মীওইবা ঐখোয়না হিংচা-য়াইতম্বদৌনা অমনা অমবু হাৎনরিবা অসি হাৎনদ্রবসু নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা ঙাক্তনি। পাঙ্গল কল্লি, লৌশিং লৈ হায়দুনা কনামত্তা লৈহৌগদবসু নত্তে। ঙম্মী হায়দুনা কনাগুম্বা অমগা খরা খজিক নুংঙাইনদবা লৈবগী ওইগেরা, শেল খরগীদমক খূৎনেক্তা ওইগেরা, ৱায়েল চথবা অমত্তা তৌদনা মী অমবু হেক্তমক হাৎতোকপীবা অসি মালেম পূম্বদা লৈরিবা মীয়াম্না পাম্নদ্রে। তাইবংপান অসিদা হাৎনবগী মহুৎতা পূন্সি মতেক খরা অসি পূন্না হিংমিন্নদুনা নুংশি-চান্নবা কাঙলূপকী খেন্নবা থমদনা হিংমিন্নরসি। লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বীনা পামজরম্বা লৈত-লায়রগী, তোল্ল-তারবা কয়াগীদমক য়াইফনবা হোৎনরম্বশিং অদু ঐখোয়না থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, ট্রষ্ট অসিনা হৈরোক এ সীদা মান্নবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা মখল-মখা কয়াগী য়াইফ থৌরাংশিং অমদি চাউখৎ থৌরাং কয়া মীয়ামগীদমক পায়খৎতুনা লাক্লি। তুংদসু লেপ্পা লৈতনা পায়খৎখিগনি। চাউখৎপা, মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক লিংজেল মান্নবা, ঈংনা-চিক্লা লৈমিন্নবা মথৌ তাই। থৌরম অসিগা মরী লৈননা অহল ওইরবশিং, মপুরোইবা লৈত্রবশিং, কনা লৈজদ্রবশিং অমসুং দিফরেন্টলি এবল্ড ওইরবা মীওই ১,৫৮২ দা থা তরুক্কী ওইনা অপূনবা পেন্সনগী শেনফম লুপা ১,২০০/১,২০০সু য়েন্থোকপনি। পেন্সনগী শেনফমশিং অসি হৈরোক এ সীগী মীয়াম্না অঙম-অঙম্বা মওংদা ট্রষ্টতা তেংবাং পীরকপা শেনফমনা পীবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বীগী শক্তমদা মীয়াম্না হৈ-লৈ কৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল ট্রষ্টকী হান্নগী সেক্রেটরি ওইরম্বা লৈখিদ্রবা মাইবম রামেশ্বরগী মফমদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা মপূগী মফমদা থৌনীজখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মফম অদুমক্তদা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

KINGDOM
SPOKEN ENGLISH
SPOKEN HINDI
& COMPUTER INSTITUTE

DAILY JUNIOR CLASSES (V TO IX) FROM 12TH DEC. 2019

SIR NAOBI LOITONGBAM
- 19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)

7005622203, 7005776944, 7005665814

English Course + Free 1 mth. Computer Course

For : Students, College Students, Businessmen, Housewives, Office goers, Air Hostess Aspirants, Teachers, Entrepreneurs, Senior Citizens, etc.

COMPUTER COURSES :
- DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing HTML Programmings, Data Entry, etc.
- Sunday Spoken English Class only for Class V - IX at 6 am to 9 am

Venue : GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER, Opp. G.P. Women's College, Old Lambulane

TSE/D-8M

...HL-B/5792/9,10,12